# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-13

**(Orbital Variations & Solar Outputs)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১)য়াইখোম্বা (প্রোফেসার) (২) লেম্বা (রিছার্চ স্কোলর) (৩) ইমোবা (কোলেজ ষ্টুদেন্ট)
নুপী:- (১) মেমথোই (সাইন্টিফিক ওফিসার)
(২) থবা (কোলেজ ষ্টুদেন্ট)

(মতম:- অয়ুক, মফম: মেমথোইগী য়ুম, অরাংবা ম্যুজিককী মখোল)

মেমথোই :- (মতোমতা ঙাংজবা) ফনা ঙন্নসু হৌগৎপনি, ঙসাইদগী শুংলেপ লেপ্তুনা হোৎনরকপনি থবকশিংসে, লোয়বা কৌবা নাইদে, ৱাইশিৎ লমশেংবা, শুমাং ৱাইতৈবা, ইরু মাইথজবা, লাই ধুপ থাওমৈ থানবা, নুমিৎ পুজা তৌবা, অস ইমুংগী কুপনোমশিংসে ওন্থোক্লা য়ামখরে, নুপী ঐখোয়না তৌরিবসি, হায়রিমক্তদা ব্রেক ফাষ্টসু শেমদ্রিনে, চাক থোংবা অমুক থেংখিদুনা তোকঅরনি ঙসিসে।

লেম্বা :- (ইংলিস শোং হৌনা লৈখৎলগা খোঙলকপা) অয়ুক ঙন্তাসিদা ঈশৈ হৌনা খোংগৎলকইসিবু ঐখোয় ইমোবা নৎতরনে, ইমোবা... ইমোবা কৈনোনে নঙবো লাইরিক পাগেদি হায়দ্রদনা ঈশৈদু অদুক কন্না হৌনা খোংগৎলকইদুবো, খরা লৈথৌনে।

ইমোবা :- কাকা ! ঈশৈ হৌনা খোঙলগা লাইরিকপাবসিদি খুনুংঙাই অমনি, গ্যানগসে পোপ পোপ তাজাৎনি, পারাগসে খুদক্তা ফাবাজাৎনি।

লেম্বা :- ওন্থোকপা অঙাংনিদকো মসিগী অঙাংসে, মতোমতনি হায়দুনা খরা লুনা তৌবসিদা নাও চাওরবনি। হায় নঙগী ঈশৈদু খরা লৈথৌ হায়বনি, অরাংবা খোঞ্জেলদুনা নাগসে লোয়না পংদৌরে, কোকসিসু কাইদৌরে।

মেমথোই :- করি অঙাংনোনে মসিবো, নখুরানা ঈশৈদু খরা লৈথৌ হায়রবদি কোক হেক লৈথৌদনা, অসুক য়াম্না মনা কনবা অঙাংশিবু করি অঙাংনোনে। সে লেম্বা নঙগী চাগা ব্রেদকা লৈরেসে।

লেম্বা :- হোয় ইতৈমা, তেবলদুদা হেক্তা থন্বীরো।

ইমোবা :- (শাওরি শাওরি) ঈশৈগসে খোঙদা খোঙজররোই মুৎতা মুথৎচরগে, নোয়দি নুংঙাইবা ঈশৈগসে তাবা হৈনরোইয়ে। কদাইনো ঐগী ব্রেকফাষ্টপো।

মেমথোই :- সে সে সিদা লৈরেস, শঙ্গোমগা লফোইগা য়েরুম অফুৎপসু য়াওরিয়ে, সে চাথোকওসে। ঐখোয়সু নুংশিবা ঈশৈগী শুর তাবা য়াম্না হৈবজাৎনি অদুবু ইমোবা ঈশৈ তারিবনি হায়দুনা কন্না লৈখৎতুনা খোংলবদি, নোইস পোল্লুসন থোকহনবতা নৎতনা হকচাংগী কয়াৎশিং মরুওইনা নাকোং অমদি ব্রেনগী শরুকশিংদা অমাংবা কয়া থোকহল্লিবনি।

লেম্বা :- নুংশিবা ঈশৈ, তপনা ইংনা খোংবা ম্যুজিক্কী তান্থানসু মীওইবগী হকশেলদা কান্নবা য়াম্না পী, মীওইবগী পুক্নিং ৱাখল লৈতাফম খঙদ্রবা মতমদা নুংশিবা ঈশৈগী সুরনা অৱাবা কাওথোকহনবা ঙম্বতা নৎতনা, মেন্তেল হেল্থ অমদি ফিজিকেল হেল্থতা কান্নবা কয়া অমসু পীকো। মসি ৱাসি তোকঅসিসে নঙগী অরোইবা সেমিষ্টরগী ইগজামনা কয়াম ৱাৎলিবা।

ইমোবা :- মথং থাদনি কাকা, হন্দক্তি ঐ পোজিসন লৌবা ঙম্নবা কন্না হোৎনদোইনি।

মেমথোই :- (নোকপা) অদুনা ওইরে ইচানা লাইরিক পাবদা ঈশৈ অদুক কন্না লৈখৎতুনা খোঙলগা লাইরিক পারম্মীদুদি, শোয়ররোই ইচানা ফার্ষ্ট তাবা। নঙবু কোলেজ চৎকদবা নৎতরা।

ইমোবা :- চৎতোইনি ইমা, ঙসিদি ক্লাসসু অঙনবা লৈ, চাক্তু খরা ঙন্না থোংবীয়ো।

মেমথোই :- হোয় হোয়, ঐসু ওফিস ঙন্না কাগদবনি, লেম্বা ! নঙসু চৎকদবা নৎতরা।

লেম্বা :- চৎকনি ইতৈমা, ঐসু ঙসিদি লেবোরেটরিদা তৌগদবা থবক য়াম্না লৈহৌই, ঐখোয় ওজা, গাইদনসু খরা ঙন্না লাকউ হায়রকপনি।

মেমথোই :- ফরে ফরে নোয়না নোয়না লোইশিনগদবা থবকশিং অদো লোয়শিঞ্জরো, ঐসু চাক অমুক্তা থোংনবা তৌরুখিগে।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক পুং ১০মুক তারকপা মতম, মফম: য়াইখোম্বগী য়ুম)

ইমোবা :- য়ুমসিবু মী লৈবিবরো, কনামতা লৈবিদবরো ... ৱা অমতা হংজগে... কনামতা লৈবিদবরো?

য়াইখোম্বা :- কনানোনে থবক চৎলমদাইসিদা অমুক লাকইসিবো... কনা ওইরবনো ... আ করি হায়বিগদবনো ইবুংঙো ... কনা উনবিগদবা।

ইমোবা :- আ... পাবুং ... সিবু থবাহোয়গী য়ুম ওইবিরবরা?

য়াইখোম্বা :- মানিনে ইবুংঙো, করি হায়গদবনো ঐঙোন্দা হেক্তা হায়রম্মসু য়ানি, ঐ থবাগী মপানি, থবাদু হৌজিক্তা লৈরম্বনিনে কদোমদা অমুক চৎখ্রবনো খঙদে।

ইমোবা :- ঐ থবাগা লাইরিক তম্মীন্নজবনি, থবাদা করিনোমতা হংজগে তৌবনি, য়ারদি মশা অমুক্তং উনজখিগে।

য়াইখোম্বা :- থবা... থবা... নঙবু কদোমদা লৈগেনে, নমান্নবা লাকইনে।

থবা :- বাবা কনা লাকই হায়বনো ... । হায়মা ইমোবা নঙ ওইরে ঐদি কনা কনা ওইরবোই খল্লুরে।

য়াইখোম্বা :- ইচাবু করি লমদগীনো ইমা-ববাগী মীংনা করি কৌবা ?

ইমোবা :- পাবুং ! ঐ উরিপোক্তগীনি, সাইন্টিফিক ওফিসার মেমথোইগী মচানুপানি,বাবাদি কুইরে লৈখিদবা, ফিজিক্সকী ওজা ওইরম্বা চাওবা হায়বদু ঐবু পোকপা ইপানি।

য়াইখোম্বা :- হায়মা নঙবু মেমথোইগী মচানুপা ওইরে, মেমথোইদু ঐগা ক্লাস অমতদা লাইরিক তম্মিন্নরকখিবনি, ওজা চাওবদুসু ওন্থোক্লা ফখ্রবনি, পুন্সি খরা তেল্লকপা হায়বদুদা তারে, নঙদি হৌজিক নমা নচাদা লৈবরা, কনা কনাগা লৈমিন্নরি।

ইমোবা :- ইখুরা অমগা ঐখোয় অহুম লৈমিন্নরি, ঐখোয় কাকাসু ফিজিক্স দিপার্টমেন্টতা হৌজিক হৌজিক ওর্বিটেল ভেরিএসন অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরিশিংগী মরমদা রিছার্চ তৌরি।

য়াইখোম্বা :- ঙাইখোনে নংনা হায়রিবা রিছার্চ স্কোলরদুবু লেম্বা নৎতরনে।

ইমোবা :- উম, ঐখোয় কাকাগী মমিং লেম্বা কৌই।

য়াইখোম্বা :- লেম্বদি ঐগী গাইদেন্স মখাদা রিছার্চ তৌরিবনিনে, য়াম্না ফবা হোৎনবা কনবা স্কোলর অমনি মাদি, ঐনা য়াম্না আশা তৌনা থল্লিবনি।

থবা :- বাবা ! ইউনিভর্সিটি চৎপা থেংদ্রিবরো, পুংদি তরামাথোই তাখরে।

য়াইখোম্বা :- ইহে, ঐদি ইবুংঙোসি অতৈ অতোপ্পা ওইরমদবসিদা ৱারী ঙহাক শাদুনা লৈথোকলুরেদনা, ইপা থেংঙে ইপা চৎলুখিগেকো, করি করিনো নখোয় চামিন থকমিন্নদুনা ঙহাক লৈমিন্নহৌখো (গাড়ী থৌখিবা) ।

ইমোবা :- হোয় পাবুং। থবা ! ঐদি নোয় বাবাসে ঐখোয় কাকাগী গাইদনি হায়বসে ঙসিদা খঙঙি।

থবা :- দাদা লেম্বদি ঐখোয়দা ঙহাক লৈতনা লাকইনা, ঐসু নোয় কাকানেদি হান্না খঙদে। অদো নঙ ঐখোয়দা কৈদৌবা লাকইনো।

ইমোবা :- নঙদি ঙরাংসু কোলেজ কারক্তে, ফোন তৌবসু শুংপাই পায়রক্তে অদুদদি কৌদৌরবজাৎনো পাখৎতুনা লাকইনে। অদো ঙসিসু নঙ চৎলরোই হায়রিরো?

| | | |
|---|---|---|
| থবা | :- | ঐগীদি ইমাসু লৈজদে, বাবা ইবানিদা তরক তরক লৈজবনি অদুনা ইমুংগী অচাই অরাক, অমোৎ-অকাই খরা লোইশিনগে হায়দুনা কোলেজগা অমতা কাদ্রবনি। বাবানা থবক শুবিনবা ঐগী ইতেং খরা পাংবীনবা মী অমতং থমসি হায়বসু যাদে, ইশাগী ইথৌদি ইশানা তৌজগদবনি হায়দুনা অদুনা ঐ ঙসিসু চৎলরোই, নঙদি চৎতোই নৎতরো। |
| ইমোবা | :- | নঙগী থবক লোইশিনবদো ঐসু য়াওবিগে, ঐসু চৎলরোইগে, হয়েং ওইনা পুন্না চৎমীন্নরসি। |
| থবা | :- | অদু ওইরগনা লাকও ঐগী ষ্টদি রুমদা ওইনা ঙহাক ফম্লুরসি, ঐগীদি নোট বুক শীনগৎকদবসু য়াম্না ৱাৎলি, দাইগ্রামশিংদো নঙ খরা য়েকপীরমগেরা, নঙদি য়েকপসু য়াম্না হৈ, ঐদি কয়া হৈতে। |
| ইমোবা | :- | হোয় য়েকপিরল্লগে লাকও, ঐগীদি কুইরে নোট বুক শিনগৎপা লোইবা, ঐখোয় ইমানা ঐ কৈদৌরি, লাইরিক পারিবরা পাদবরা কোইশেন শেনজাৎনি অদুনা নোট বুককসে মতম চানা শিনগৎতবা য়াদে। |
| থবা | :- | ইমোবা নঙদি নুংঙাইজরমগনিকো, য়েংশিনবিনবা শেন্নবিনবা ইমা লৈবনিনা, ঐগীদি ইমা লৈজদবনিনা .... (পুক্লিং নুংশিবা)। |
| ইমোবা | :- | থবা ! নঙগা ঐগা চপ মান্নে, ঐগীনা ইমা লৈজরবসু ইপাদি ঐনা পীশক পীক্লিঙৈদা ঐবু হুন্দোক্তুনা চৎখরে, ইপাগী নুংশিবা মীৎয়েং, ইপাদা নাওথী শাজবা ফংজহৌদরে। |
| থবা | :- | ফরেসে সিগী ৱাসি তোক্লসি, ঐ টেলিভিজন থারক্কে, টি. ভি. য়েংনা য়েংনা নোট বুকতুম শিনগৎলসিসে। |
| ইমোবা | :- | সাইন্স প্রোগ্রাম ওইনা য়েংশি, সাইন্স চেনেল ওইনা থারকউ্ |
| থবা | :- | হোয় থারক্কে, (টি. ভি. থাবগী মওং) এ ! সিদা উৎলিবসিদি মিল্কি ৱে গেলেক্সি, সোলর সিস্তেমনিনে (টি. ভি. গী সাউন্দ)। |
| ইমোবা | :- | অহাংবা অতিয়া অসিদা মশিং থিঙমদ্রবা থৱানমিচাক কয়া কয়া তগুপ তরেংনা থোক্লিবসি য়েংঙুনে। |
| থবা | :- | থৱানমিচাক্কী মশিং অসি বিলিয়ন ১০০দগীনা ৪০০ রোম ওইরমগনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা থাজনরি, নুমিৎ অসিসু থৱানমিচাক অমনিকো। |
| ইমোবা | :- | উম মানি, নুমিৎকী অকোইবদা গ্রহশিংনা কোইলৈ লৈদুনা লৈরিবনি, ঐখোয়গী পৃথিবী অসিসু নুমিৎকী অকোইবদা লৈদুনা লৈরিবনি, সোলর সিস্তেম অসিগী মনুংদা য়াওরিবনি। |
| থবা | :- | প্রকৃতিগী খুৎশেম অসিসু অঙকপনিকো। পৃথিবীনা মশাগী এক্সিসতা অমুত্তং মপুং ফানা লৈবা মতমদা পুং ২৩ গা মিনট ৫৬ কা সেকেণ্ড মরিরোম চংঙি, মসিবু ঐখোয়না নোংমা হায়না খঙনৈ হায়বদি সাইদরিএল দে হায়না। |

ইমোবা :- পৃথিবীনা নুমিৎকী অকোইবদা মপুং ফানা অমুক্তং কোইবা মতমদা চাওরাক্লা নুমিৎ ৩৬৫নিগা পুং তরুকলোম চংঙি, মসিবু ঐখোয়না চহি অমা হায়বদি সাইদরিএল ইয়ার হায়না খঙনৈ। পৃথিবীনা নুমিৎকী অকোইবদা পুংদা মাইল ৬৭,১০০ রোম য়াংনা উংদুনা চৎলি।

থবা :- সোলর সিস্তেমগী মরমদদি ঐখোয় বাবাগা নখোযগী কাকাগনা হেন্না খঙলনি, মখোয়দা ওইনা নোংমা ফজনা হংলসি, ঐদি গেলেক্সিগী মরমদা য়াম্না খঙনিংঙি, সোলর সিস্তেম অসিসু অঙকপনি, নুমিৎ লৈরমদ্রবদি ঐখোয়গী পৃথিবী অসিসু লৈরমলোইকো, নুমিৎকী মৈশা য়াওদ্রবদি থৱায় পানবা অমতা মালেমসিদা হীংদুনা লৈবা ঙম্লোই। মালেমসিদা নুমিৎকী মৈশা ফংবগী চাং খেন্নবগী মতুংইন্না অহিং, নুংথিল, অদুগা তোঙান-তোঙানবা ঋতুগী খোংচৎশিং অসিসু খায়রিবনিকো।

ইমোবা :- ইবানিগী ৱারিসে ফৈনা চৎখিদৌরে, সে নোট বুক শিনগৎপসি অমুক্তা লোইশিন্নবা তৌসি।

থবা :- হোয় পুংসু থেংজিল্লক্লে, ঐ চা শেম্লুগে, বাবাহোয় হল্লকপা মতমসু ওইরক্লনি।

ইমোবা :- অস অদুদি ঐ চৎহৌরগে, হোরেল নোয় বাবানা হৌজিক ফাওবা লৈরম্লিদি করিগীনো হায়রকঅদি ঐদি করি খুমদোইবা।

থবা :- থাবানা চৎখিবা য়ারোই হায়দুনা ফাদুনা থম্লিবনি হায়দুনা হেক খুম্মু, অদু ওইরদি ফরেদনা (নোকপা)।

ইমোবা :- হোয়নে অদুনবু ফরে (নোকপা)।

-ম্যুজিক-

(মফম: ইউনিভর্সিটি, ছাত্র-ছাত্রিশিং লাংবগী খোঞ্জেল, গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মখোল)

মেমথোই :- আ য়ারে য়ারে, গাড়ীসে ফিজিক্স দিপার্টমেন্ট মমাং স্বাইদা ওইনা হেক্তা খাল্লসি (গাড়ী খান্বগী মওং), কুইরেদা ইউনিভর্সিটিদগা লাকতবসে, য়াইখোম্বদুসু উন্নখিদবা, পাও ফাওনখিদবা কুইখরে, মাগী কাদুবু কদোমদনোনে, নেম প্লেট থেৎলিবশিং অসি য়েংঙা য়েংঙগা থীবা হায়বদুনি.... এ ! সিদা লৈরে মাগী কাদি, হেক্তা চঙলগে... সার অমুক্তা চংজরক্কে।

য়াইখোম্বা :- হায়মা ! মেমথোই নৎত্রো, চংঙকও হেক্তা, ঐদি উদবা কুইমনবদুদা ঙহাক্তংদি শক খঙলুদরে, নঙ সুমাইনা লাক্কনিকাসে সুংথা থাজরুদে, চিয়ারদুদা ফম্মো।

মেমথোই :- সারহোয়দি প্রোফেসার ওইখ্রবনিনা ঐখোয়গসে কদায়দগী নীংশিংবীরনি, নোংমতসু থীবিরক্তে, নোংমতসু করম তৌরি হংবীরক্তে, মী মচাদি পোংখ্রপোৎনি।

যাইখোম্বা :- সারগা হায়দনা কৌরক্কনু, নঙনা ঐঙোন্দা সার কৌরকপদু ঐ তাবা য়াম হৈনদে, চুম্নসুম হান্নগী হান্না মীং অদুম কৌনসি, নঙগী হৌনবী থায়নগী কোচি থাংবা ৱাঙাংদুমদি অদুম থাদোক্লমদ্রিনেকো।

মেমথোই :- (নোকপা) হৈনখিবা ৱাঙাং, ফাখিবা সুর পাক হেক কাওথোকপা থাদোকপা য়াবরনে।

যাইখোম্বা :- নঙসু ইনভাইরোন্টমেন্ট দিপার্টমেন্টতা সাইন্টিফিক ওফিসার ওইনা লৈরি হায়না তাই, অদো নঙনা ঙসি ইথা থাজদনা ঐগী নাক্তা লাকপবু করি মরমগীনো, করি থবক লৈরগে।

মেমথোই :- থবক লৈত্রদি নঙগী ননাক্তা লাকপসিবু ইয়ামক য়াদ্রবরো?

যাইখোম্বা :- য়াদে হায়বা নৎতেদা, অসুক কুইবসি নোংমতা নঙ ঐগী ইনাক্তা লাক্তেদনা, ঙসি ইখং খঙহৌদনা লাকপসিদি মরম অমদি শোয়দনা লৈরমগদবা মানবা অদুনা চুম্নসুম হংবনিদা।

মেমথোই :- হোয় নঙনা অদুম চুমজরো, ঐ নঙগা থবক অমা তান্নগে হায়দুনা লাকপনি (খিৎতং নোকপা)।

যাইখোম্বা :- আ করি থবকনো, করি তান্নসি হায়বনো হেক্তা হায়য়ো।

মেমথোই :- ঐখোয়গী দিপার্টমেন্টকা নোয়গী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকা পুল্লগা নুমিৎ নিনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা নেসনেল কনফরেন্স অমা শিনলি হায়দুনা ঐখোয়গী দাইরেক্তরনা হায়রকপা, অদুনা নঙগা হেক্তা তান্নরুরগে হায়দুনা লাক্লিবনি।

যাইখোম্বা :- করি টোপিকতা ওইনা পাংথোক্কদবা কনফরেন্সনো ?

মেমথোই :- হৌজিক মালেমসিদা হোংলক্লিবা অইং-অশাগী খল, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ, ওইরক্লিবা অসি ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌরমশিংনা মরম ওইরগা গ্রিন হাউস গ্যাস খঙহেন হেনগৎলকপদগী ওইরক্লিবনি হায়বসিদি ময়াম পুম্নমক্কা য়ান্নরবা, ইখং খঙনরবা ৱাফমনি। হৌজিক ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসিগা ওর্বিতেল ভেরিএসন, সোলর সিস্তেম অসিগা লৈনরিবা মরীশিং অদুগী মরমদা ওইনা পাংথোকসি হায়রিবা।

যাইখোম্বা :- অদুদি য়াম্না ফবা ৱাফমনি, হৌজিক হৌজিক ওইরিবা মালেম অসিগী অইং-অশাগী ফীভমগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ, ঐখোয় ময়াম পুন্না তান্নরগা মায়পাক্লা পাংথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নবা হায়বদুনি, মদুগীদমক্তদি নঙ করিমতা ৱারুরগনু, নঙনা হায়রিবা টোপিক্তুদা হৌজিক হৌজিক রিছার্চ তৌরিবা ঐগী রিছার্চ স্কোলর অমসু লৈ।

মেমথোই :- (নোকঅগা) নঙনা হায়রিবদুবু ঐখোয় লেম্না নৎত্রো?

যাইখোম্বা :- এ ! নঙদি লেম্বগা কমাই খঙনরিবা, মরি থোক্লবরো, ঐখোয় লেম্বগা হায়রিসিবো।

মেমথোই :- লেম্বদু অতৈ কনাসু নৎতে, ঐগী হেক ইনাওনুপানি, নঙনা মাগী গাইদ ওইরি হায়বসিসু ঐদি খঙবা কুইরে।

যাইখোম্বা :- লেম্বসে ঐগী খ্বাইদগী থাজবা অদুগা খ্বাইদগীসু ফবা ষ্টুদেন্টনি, ঐনা মঙোন্দগী আশা য়াম্না তৌরি, মাগী হোৎনবা থিজিনবসি মখা তানা অসুমক চৎথরবদি নোংমদি মহাক মীয়াম্না শকখঙনরবা সাইন্টিষ্ট অমা শোয়দনা ওইরক্কনি।

মেমথোই :- মাবু লেবতা লৈখিবরো, য়ুমদগীদি ঙন্তানা সিদা চৎকনি হায়দুনা চৎখিবনি।

যাইখোম্বা :- লৈখিবনি হেক থংনবা কাসিদা, ঐ কৌগে, লেম্বা... লেম্বা... নঙ ঐগী কাদা অমুক্তা লাকও।

লেম্বা :- সার, করি তাকপিগদবা, হায়মা ইতৈমা ! ইতৈমদি সিদা করি তৌবা লাকইবনো?

যাইখোম্বা :- ঐদি হান্না খঙদে, নঙনসু ঐঙোন্দা হায়দে, মেমথোইসি নখোয়গী নতৈমনি হায়না, মেমথোই ইবানি কোলেজ লাইফতা য়াম্না লুনা তিন্নরকপা ইমান্নবনি।

মেমথোই :- ঐখোয় দিপার্টমেন্টকা নোয়গী দিপার্টমেন্টকা কোলাবোরেশন তৌরগা কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লবা তৌরিয়ে অদুগী নোয় সার উন্নবা লাকঅম্বনি।

লেম্বা :- অদুগীদি ইতৈমা করিমতা ৱারুরগনু, ঐখোয় সারগা, ঐখোয় রিছার্চ স্কোলর ময়াম পুল্লগা ইরায় লায়না পাঙথোকপা য়াগনি, অদো মফমদি কদাইদা তৌগদবনো, টোপিকনা করি ওইগদবনো?

মেমথোই :- টোপিকতি নঙনা রিছার্চ তৌরিবা এরিয়াদুনিদা নঙোন্দদি য়াম্না লাইনা থোক্লনি অদুগা নোয়গী দিপার্টমেন্টকী কনফরেন্স হোলদা ওইনা অদুম তৌবনা হেন্না খুদোংচাগদবা মাল্লি।

লেম্বা :- অদুদি য়াম্না ফরে ইতৈমা,মফম শেম শাবা প্রোগ্রাম শিন্দোক শিঞ্জিন, রিফ্রেসমেন্টগী চানবা থক্লবা শিন লাংবা ঐখোয়না থোকপা লোয়না শিল্লগে।

যাইখোম্বা :- অদুদি হৌজিক করিসু ৱানিঙাই লৈত্রেনে মেমথোই, লেম্বা ! চারা, কোফিরা, গ্রীন তিরা করিনোমতদি নোয় নতৈমসি পীথকখিসিদনা, অমতংদি শেল্লকউদনা।

লেম্বা :- হোয় সার, ঐখোয় লেবোরেটরিদদি রিছার্চ ৱার্ক তৌবখক্তা নৎতনা চানা থক্লবসু অমতা ৱাৎতে, ঐখোয় ইতৈমদি কোফি য়াম পাম্বনি, কোফি হাওনা শেল্লকঅগে, অদো সার... সারগীদি করি ওইনা শেমজরকউগে।

যাইখোম্বা :- ঐসু ঙসিদি কোফি ওইনা থক্কে, নহালৱাই কোলেজ লাইফতা থকখিবা কোফিগী মহাওদু য়ৌবা ঙম্বরা য়েংগে (ময়াম নোকপা)।

মেমথোই :- য়াইখোম্বা ! নঙগীদি অঙাং কয়ানো, ঐগীদি ইচানুপা অমখক্তংনি, চাওরে পাখং ফারে, কোলেজ তন্লি।

য়াইখোম্বা :- ঐ ঙসাইদগী ৰা অমা হায়গে হায়গে খল্লগা অদুম হায়বা কাওদুনা লৈরে।

মেমথোই :- করি ৰানো নঙনা হায়গে খল্লিবো?

য়াইখোম্বা :- নঙগী নচানুপা ইমোবদো ঐগী অমতা পোকচবী ইচানুপী থবাগা কোলেজ অমতদা লাইরিক তম্মিন্নে, উনগনি হায়দুনা ঐখোয়দা লাকহৌবনি ঙসাই ঐনা ইউনিভর্সিটি কারকঅমদাইদা।

মেমথোই :- হায়মা ! কৈনো হায়রিসিবো, য়ুমদগীদি হোবে হোবে কোলেজ চৎকনি হায়দুনা চাক চাবোই চাদবোই চৎখিবনি (ঙক্লা হায়বা)।

-ম্যুজিক-

(মফম:- পার্ক, মতম:- নুমিদাংৰাইরম, মীগী মীনিল তপ্লপ তাবা)

লেম্বা :- তারমদাই নুমিৎকী মশেক মঙাল, মেংলবা নুংশাগী মৈশানা পার্ক অসিগী মায়কৈ পুম্নমক্তা শন্দোকখ্রিবসি য়েংবদা পুক্নিং হুনা নীংথিজে, অমুক্কসু অইংবা নুংশিৎনা হকচাংসিদা য়ৈবদা খংতেক তেকখৎপোই নিংঙি, হৌরিবা উপাল-ৰাপাল, হৈপাল-লৈপাল পুম্নমক্কী উনাশিং, কল্লবা নুংশাগী মৈশানা য়ৈবদা খুইথরুরবা পুম্নমক নুমিদাংৰাইরম ওইরক্লবদা অমুক তগৎ-তগৎ তেকখৎলক্তুনা হায়না হুম্না নুংশিৎকী শাহুমদা শান্নরিবা, য়েংবগী পেনবা নাইদে প্রকৃতিগী খূৎশেমশিংসে।

থবা : দাদা লেম্বা, ঐদি নহানমকৈ কঙদে দাদাদি সাহিত্যসু য়াম ৰাংলিজাৎনি, পুরা কবিদা কবিনি, লিটরেচর তৌগদবা দাদানা ফিজিক্সকী স্কোলর ওইরিসে ওন্নরেদা।

ইমোবা :- ঐখোয় কাকাদি মহৌশাগী ফজবা উবা য়াদবনি, কবি হেক্তা চংবনি, লাকও অসোম মতাইৰাইগী লম্পাক, নাপী ইশং শংনা হৌবসিদা ওইনা ঙহাক ফম্লুসি।

লেম্বা :- লাকও লাকও ঙহাক ৰারী শারুসি, নোয়না করি করিনো ঐঙোনদা হংনি হায়বদুসু হংঙো ঐনা খঙবা ওইরগনা পাউখুম পীরগে লাকও।

থবা :- হোয় দাদা, ঐখোয়না ইনর্জিগী শরুক অয়াম্বসি নুমিৎতগী ফংঙি, নুমিৎনা বাইওলোজিকেল প্রোসেস অমদি ফিসিজেল প্রোসেস খুদিংমক কন্ট্রোল তৌরিবনিকো। মালেম পৃথিবী অসিদা নুংশাগী মঙাল হায়বদি মৈশা অসি ফংলমদবা তারবদি থৰায় পানবসু লৈরম্লোইকো।

লেন্বা :- উম য়াম্না চুন্মী, অদুনা নুমিৎ অসি ইপা-ইপুশিংনা লাইনি হায়দুনা পুজা তৌনরল্লিবনি, সোলর সিস্তেম অসিগী ময়াইথংবা শরুক্তা নুমিৎ লৈ, অদুগা পৃথিবী অমদি অতৈ অতোপ্পা গ্রহশিং মার্করি, ভেনস, মার্স, জুপিটর, সের্টন, ইউরানস,নেপচুন অমদি প্লুটোনা নুমিৎকী অকোইবদা কোইনা লৈদুনা লৈ। পৃথিবী অসিনা নুমিৎকী অহুমশুবা গ্রহনি।

ইমোবা :- কাকা, নুমিৎ অসি কমায় তৌদুনা শেমখিবনো অদুগা কয়াম লিরবগে হায়বদুসু খঙনিংঙি।

লেন্বা :- নুমিৎ অসি চাওরাক্পা চহি বিলিয়ন ৪.৬ রোম শুরে হায়না থাজনরি অমদি সাইন্টিষ্টশিংগী মত মতুংইন্না নুমিৎ অসি গ্যাস অমদি উফুল ৰাইফুলগী মপৈশিং, সোলর নেবুলা হায়রিবা অসিদগী ওইখিবনি হায়না হায়রি।

থবা :- নুমিৎকী লৈমায়গী শরুকশিং অসিদি কমায়না তৌবজাৎনো?

লেন্বা :- সোলর সিস্তেম অসিগী অপুনবা মাসকী চাদা ৯৯.৮ রোমদি নুমিৎকী শরুকনি। নুমিৎকী এটমোস্ফিয়ার অসি শরুক অহুম থোকনা খায়দোকই।

ইমোবা :- অদুদি করি করিনো কাকা।

লেন্বা :- ফোটোস্ফিয়ার, ক্রোমোস্ফিয়ার অমদি কোরোনা হায়না শরুক অহুম থোক্লা লৈ। ঐখোয়না উরিবা নুমিৎকী শরুক অসি ফোটোস্ফিয়ার হায়বা মনুং থংবা শরুক অসিনি।

থবা :- ক্রোমোস্ফিয়ার অমদি কোরোনাগী শরুকশিং অসিনা কমায়না তৌবজাৎনো দাদা।

লেন্বা :- ফোটোস্ফিয়ার অমদি ক্রোনা অনিগী মরক্কী শরুক অসিবুনি ক্রোমোস্ফিয়ার হায়রিবসিনা, ফোটোস্ফিয়ারগী শরুকতগীসু শাবা য়াম্না হেল্লি, অদুগা মপান ইথং থংবা শরুক খ্বাইদগীসু হেন্না শাবা মফম অসিবুনা কোরোনা হায়রিবসিনা।

ইমোবা :- কাকা নুমিৎকী সর্ফেস টেম্পরেচর অসিবু কয়ামুক ওইগে।

লেন্বা :- নুমিৎকী সর্ফেস টেম্পরেচর অসি ফোটোস্ফিয়ারগী শরুক্তনা চাওরাক্লা দিগ্রী কেলভিন ৫৮০০ রোম ওই অদুগা কোরগী শরুক্তদি শাবগী চাং অসি মিলিয়ন ১৫.৭ দিগ্রি কেলভিনগী চাং য়ৌনা শাই।

থবা :- ইস ! অদুদি য়াম্না শাবা জাৎনিকো অদুননি নুমিৎ অসি অচৌবা মৈবুলনি হায়নরিবসে।

লেন্বা :- অদুগা নুমিৎ অসি হাইড্রোজেন গ্যাসনা চাদা ৭০গী শরুক অদুগা হেলিয়ম গ্যাসনা চাদা ২৭কীশরুক অমদি অতৈ অতোপ্পা ইলিমেন্তশিংগা পুল্লগা শেম্বনিকো।

ইমোবা :- সনস্পোট হায়বা অমসু তাখরে, মসিনা করিনো কাকা ?

লেম্বা :- সনস্পোট হায়রিবা অসি নুমিৎকী ফোটোস্ফিয়ারগী শরুক্তা খরা হেন্না মমশিন্না উবা, শাবগী চাং খরা হন্থবা মফমশিং অদুবুনি।

থবা :- হায়রিবসিনদি নুমিৎকী শরুকশিংশিসু শাবগী চাং মান্নদবোরে, মফম খরদনা খরা হেন্না শাবা, খরদনা অমুক খরা হন্থনা শাবোরে।

লেম্বা :- সনস্পোটকী মফমশিংদা শাবগী চাং অসি চাওরাক্পা দিগ্রি কেলভিন ৩,৮০০ রোম ওই হায়বদি ফোটোস্ফিয়ারগী অতোপ্পা মফমশিংদগী শাবগী চাং খরা হন্থে। সনস্পোটকী মেগনেটিক ফিল্ড অসিনা পৃথিবীগী মেগনেটিক ফিল্ডদগী য়াম্না হেন্না কনবা হেল্লি।

ইমোবা :- সনস্পোটশিং অসি ঐখোয়না মতম অমতদা কয়া য়াম্না উবা ফংগনি।

লেম্বা :- ঐখোয়না করিগুম্বা মতমদা সনস্পোটশিং অসি মশিং য়াম্না উবা ফংগনি, করিগুম্বা মতমদনা মশিং খরা হন্থনা উগনি অদুগা করিগুম্বা কান্দসু শুংউ উদবসু য়াওগনি। ইং ১৮৪৩ দা জর্মন কেমিষ্ট হেন্‌রিক স্কাবেনা চহি ১১ খুদিংগী সনস্পোট মশিং অসি হোংদোক হোংজিন তৌই হায়না পুথোকখি।

থবা :- হৌজিক নুমিৎ অসি হান্না ওইরম্বা মওংদগী হৌজিক্কা হেন্না লংবা, ঙানবা হেল্লক্লে হায়নরিবা অসিবু অচুম্বরনে।

লেম্বা :- সনস্পোট এক্তিভিটি অসি হান্না লৈরম্বদগী হৌজিক্কা শরুক অনিরোম হেনগৎলে হায়রি মরম অসিনা চহি১০০ রোমগী মমাংদা ওইরম্বা নুমিৎকী লংবগী চাং অদুদগী চাদা ০.১ রোমগী চাং হেনগৎলে হায়না সার্ন্টিষ্টশিংনা হায়রি।

ইমোবা :- সোলর ৱিল্ড হায়বা অমসু থেংনখরে, মসিনা করিনো?

লেম্বা :- সোলর ৱিল্ড হায়বসি নুমিৎকী মপান ইথং থংবা এটমোস্ফিয়ার, কোরোনা হায়রিবা অসিদগী থাদোরকপা চার্জ পার্টিকলশিং মরুওইনা ইলেক্ট্রোন, প্রোটোন অমদি অলফা পার্টিকলনচিংবশিং অসিবুনি।

থবা :- সনস্পোর্ট অমদি সোলর ৱিল্ড গা পৃথিবী অসিদা গ্লোবেল ৱার্মি থোরক্লিবা অসিগা মরি লৈনবরা দাদা।

লেম্বা :- ক্লাইমেট সাইন্টিষ্ট অয়াম্বনা সনস্পোট অমদি সোলর ৱিল্ডনা ক্লাইমে চেঞ্জ থোকহল্লপগী মরম অমসু ওই হায়বসিদি য়ান্নরবা ৱাফমনি অদুবু হায়রিবা নেচরেল প্রোসেসনা মরম ওইরগা থোকহল্লকপা ক্লাইমেট চেঞ্জ অসিদি চাং য়াম্না নেম্মী, ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌরমশিংদগী ওইহল্লকপা ক্লাইমেট চেঞ্জগী চাংদি য়াম্না ৱাংঙি।

থবা :- এ ! নুমিৎ তাশিনখরে, ঐখোয়দি ৱারি নুংঙাইরিবৈদা পুমমম মমখিবগসে

অমতা খঙহৌদরে।

ইমোবা :- কাকা ! থেংলে হল্লসি, থবাসি ময়ুম ফাওবা থীনবিরুরসি।

লেন্বা :- থবা ! হয়েংদি ঐখোয়দা ঙন্তা লাক্কদবনিকো, নখোয় বাবানে ঐখোয় পুল্লপ ঐখোয়দা হয়েং চাক চামিন্নসি হায়দুনা ঐখোয় ইতৈমনা নখোয় বাবাদসু হায়খ্রবনি।

থবা :- ফরেদা হয়েংদি এঞ্জাংসু হাওরনি, ময়াম পুল্লপ পুল্লিদৌ ঐনা খঙনিংবা খুদিমকসু হংহৌরগে।

ইমোবা: :- হোয়, হয়েং অমুক ঐখোয়না খঙনিংলিবশিংদো হংঙসি, ঙসিগীদি হল্লসি, থেংঙে, চৎলসি লাকউ ।

থবা :- হোয় চৎলসি (গাড়ী থৌখিবা)

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক পুং ১০মুক তাবা, মফম:- মেমথোইগী য়ুম, অইংবা নুংশিবা ম্যুজিক্কী ত্যুন)

মেমথোই :- অস ! পুংদি তরা তাশিনখরে, চাকসু ঙসাইনা লোইরবনি, খরা ঙন্না লাকউকো হায়খিবনি, হৌজিক ফাওবা লাক্তেনে, মোয়গী মপা মচাদুবো, করি তৌদনা লৈরজাৎনো, ঐবু ফোন তৌরগা হংলসিরনে, হুম ঙহাক ঙাইখিগেদা (মথন্তা শোঞ্জবা) ।

ইমোবা :- (তপ্লপ শোনবা) খরা ঙন্না লাক্তুনা চাক ঈশিং থোংবা য়াওরো লাও হায়খিবনি, চাক থোংবসু লোইরে, হৌজিক ফাওবা লাক্তে কৈদৌরবাজাৎনো, ঐবু ফোন তৌসিরনে।

লেন্বা :- কৈনো ইতৈমাগা ঐখোয় ইমোবগনা খুৎতা ফোন অমমম পায়রগা মুরুম মুরুম শোল্লগা লৈরম্মীদুবো।

মেমথোই :- নোয়গী সার য়াইখোম্বদু অসুক থেংলফাওবা লাক্তরে, ফোন তৌসিরা হায়দুনা তৌরম্বনি।

ইমোবা :- কাকা ঐসু থবাদু লাকমন্দরে, কৈদৌবা য়াওরজাৎনো খল্লম্লিবা, ফোন তৌরগা হংসিরসু খল্লম্লিবা।

লেন্বা :- (নোকপা) ঐখোয় সারগা থবাগা লাকঅসু পুন্না লাকমিন্নগদবা, লাকত্রগনা পুন্না অদুম লাকঅরোইদবা।

মেমথোই :- কৈনো নঙনা হায়রিদুবো, নঙোন্দা লাকঅরোইকা হায়রকঅবরো।

লেন্বা :- হায়রক্তেদা হায়রক্তেদা, এ ! হায়নরিঙৈদা ঐখোয় সারখোয়দি লাকপু লাকএ, তু গাড়ী থৌজিল্লকএ (গাড়ী খামখিবগী মওং)।

| | | |
|---|---|---|
| য়াইখোম্বা | :- | মেমথোই ! খরা থেংদোকখরে, ৰারৌবা য়াদেকো, ঙন্তা লাকচগে তৌবনি যুমদা মী অমা হেক লাকশিন্দুনা ফরক হেক তাখরে। |
| মেমথোই | :- | ঐদি লাকপু লাকপিররোইদরা হায়দুনা পাখৎলুরে, হেক্তা চংবিরকও মনুংদা ওইনা ফল্লসি, থবা ! চংঙসি লাকও ইমুংদা। |
| থবা | :- | হোয় ইমা, ঙন্তা লাক্কুনা চাক থোংবা য়াওজগে খঞ্জরম্বনি, বাবা ঙায়নরিঙৈদা থেংদোকখরে। |
| মেমথোই | :- | ইমানা চাক্তি ঙন্তানা থোংদুনা লোইরবনে, য়াইখোম্বা ! ঙহাক্তং সোফাসিদা ফমখিসি, ৰারী ঙহাক শাখিসি। |
| লেম্বা | :- | সার, কনফরেন্স অমা তৌসি হায়নবদু মতম হেক্তা লেপশিল্লসি অদুগা টোপিকনা ইনফ্লুএন্সেস ওফ ওর্বিটেল ভেরিএসন ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ হায়না থোল্লসি, য়াগদরা সার। |
| য়াইখোম্বা | :- | উম য়াম্না ফজরে, অদুমহাইনা হেক্তা থোল্লসি, মেমথোই ! নঙনা করি খল্লিবা, য়ানিংবরা, য়ানিংদবরা ? |
| মেমথোই | :- | টোপিকতুবুদি য়াম্না ফজরে, অদুম হায়না হেক্তা থোল্লসি। |
| য়াইখোম্বা | :- | ঐখোয়গী মালেম পৃথিবী অসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোকহনলক্লিবা অসিদি মীশিং খঙহেন হেনগৎলকপা, ইন্দষ্ট্রিয়েল রিভোলুসন লাকপনা মরম ওইরগা ফোশিল ফ্যুইল কা হেন্না শিজিন্নরকপা, উমং-ৱামং কা হেন্না কোকথোরকপা মরম ময়ামসিদগী ওইরকপনি। সোলর সিষ্টেমগী খোঙচৎ খরা হোংদোক হোংজিন, ওর্বিটেল ভেরিএসন্না মরম ওইরগা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোকহললকপগী চাং অসিদি য়াম্নমক নেম্মী, নেচরেল প্রোসেসনি। |
| ইমোবা | :- | ইমা ! চাক হান্না চাথোকখিসি অদুগা অমুক মখা তানা খন্নরসি। |
| থবা | :- | চাকসু লামশিল্লক্লে, চাক হান্না চাথোক্লবা তৌরসি। |
| ময়াম | :- | হোয় হোয় চাথোক্লসি। |

-ম্যুজিক-